# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -২১

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

**এপ্রিল ৮, ১৯৯২**দা কোংগ্রেস (আই) না লুচিংবা মিনিষ্ট্রি অমা শেমখি। রাজভবন্দা মখাগী এম এল এশিং অসি মন্ত্রি ওইনা ৱাশকখি। মখোয়দুদি-

১) শ্রী আর কে দোরেন্দ্র, কোংগ্রেস (আই) এম এল এ - চীফ মিনিষ্টর ওইনা অমসুং ২) শ্রী রিশাং কৈশিং, কোংগ্রেস (আই) এম এল এ - দেপ্যুটি চীফ মিনষ্টর ওইনা।

এপ্রিল ৯, ১৯৯২দা স্পিকর ডাক্তর ঐচ বোরবাবুনা দিসক্কালিফাইদ তৌখিবা এম এল এ তরেৎ অদু অমুক হঞ্জিনহনখি। মখোয় তরেৎ অদুদি : ১) গাইখাঙম (৫৪ এ সী নুংবা) ২) এন জি লুইকাং (৪৯ এ সী তদুবী) ৩) কে এস বেঞ্জামিন বানী (৪৭ এ সী কারোং) ৪) মাকং মকুংঙা (৪২ এ সী তেংনৌপল) ৫) পি ফুংজাথাং (৫৬ এ সী থানলোং) ৬) ঈ বীরমনি (৩৩ এ সী হিয়াংলম) অমসুং ৭) এম মনিহার (৩৬ এ সী ৱাবগাই) অসিনি। মখোয় তরেৎ অসি স্পিকরনা জুলাই ২৪, ১৯৯০দা দিসক্কালিফাইদ তৌখিবনি।

স্পিকরনা এপ্রিল ২২, ১৯৯২দা মখাদা পল্লিবা এম এল এ ১৩ অসি দিসক্কালিফাইদ তৌখি।

১) শ্রী দল্লিয়ু জাগোর (কোংগ্রেস এস) ২) শ্রী দল্লিয়ু পানমৈ (জে দি) ৩) শ্রী বিদি ব্যারিং অনাল (জে দি) ৪) শ্রী ঐচ বীদুর (জে দি) ৫) শ্রী থাংখনলান (কে এন এ) ৬) শ্রী সোসো লোরহো (অন এটেশ) ৭) শ্রী এম মনিহার (মণিপুর কোংগ্রেস) ৮) শ্রী ঈ বীরমনি (মণিপুর কোংগ্রেস) ৯) শ্রী টি ফুংজাথাং (মণিপুর কোংগ্রেস) ১০) শ্রী গাইখাঙম (মণিপুর কোংগ্রেস) ১১) শ্রী বেঞ্জামিন বানী (মণিপুর কোংগ্রেস) ১২) শ্রী মোরুং মোকুংঙা (মণিপুর কোংগ্রেস) ১৩) এন জি লুইকাং (মণিপুর কোংগ্রেস) নি।

মে ৬, ১৯৯২দা মখোয় ১৩বু দিসক্কালিফাইদ তৌবসু হন্দোকখি।

মে ৯, ১৯৯২দা কেবিনেট মিনিষ্টর ২ হাপচিন্দুনা চাউথোকহনখি। মখোয় অনী অদুদি ১) শ্রী ঐচ থোইথোই (এম পি পি) কেবিনেট মিনিষ্টর ২) শ্রী এ এস শিমরা (এম পি পি) কেবিনেট মিনিষ্টরনি।

জুন ১০, ১৯৯২দা শ্রী রাজকুমার দোরেন্দ্রনা লুচিংবা মিনিষ্ট্রি অসিদা কেবিনেট মিনিষ্টর ১৫ অমসুং রাজ্য মন্ত্রি ৫ হাপচিন্দুনা চাউথোকহনখি। গভর্ণমেন্টনা হায়রিবা মন্ত্রিশিং অসিবু অরোনবা ঙাকপা অমসুং থবক পুবগী ৱাশক শকহনখি।

কেবিনেট মিনিষ্টরশিং :

১) শ্রী দল্লিয়ু অঙৌ (কোংগ্রেস আই) কেবিনেট মিনিষ্টর
২) শ্রী ও ইবোবী (কোংগ্রেস আই) কেবিনেট মিনিষ্টর
৩) মহম্মদ হেনলাউদ্দিন (কোংগ্রেস আই) কেবিনেট মিনিষ্টর
৪) শ্রী টি ঐচ চাউবা (কোংগ্রেস আই) কেবিনেট মিনিষ্টর
৫) শ্রী টি ঐচ দেবেন্দ্র (কোংগ্রেস আই) কেবিনেট মিনিষ্টর
৬) শ্রী গাইখাঙম মণিপুর কোংগ্রেস কেবিনেট মিনষ্টর
৭) শ্রী বেঞ্জামিন বানী (কোংগ্রেস আই) কেবিনেট মিনিষ্টর
৮) শ্রী এস ইবোহন এম পি পি কেবিনেট মিনিষ্টর
৯) শ্রী নিমাইচান্দ লুৱাং অন এটেশ কেবিনেট মিনষ্টর
১০) শ্রী সেনকাই রানচল জে দি কেবিনেট মিনষ্টর
১১) শ্রী এন ইবোমচা জে দি কেবিনেট মিনষ্টর
১২) শ্রী দল্লিয়ু জাগোর কোংগ্রেস এস কেবিনেট মিনষ্টর
১৩) শ্রী হোনখোমাং হাওকিপ কোংগ্রেস এস কেবিনেট মিনষ্টর
১৪) শ্রী সি দৌগেল কোংগ্রেস এস কেবিনেট মিনষ্টর
১৫) শ্রী ভি হংখালিয়ান এম পি পি কেবিনেট মিনষ্টর

ষ্টেট মিনিষ্টরশিং :

১) শ্রী মোরুং মাকুংঙা মণিপুর কোংগ্রেস ষ্টেট মিনিষ্টর
২) শ্রী ঙমথং হাওকিপ এম পি পি ষ্টেট মিনিষ্টর
৩) শ্রী কে বিনোয় এম পি পি ষ্টেট মিনিষ্টর
৪) শ্রী এন বিরেন অন এটেশ ষ্টেট মিনিষ্টর
৫) শ্রী এন কোমোল জে দি ষ্টেট মিনিষ্টর

জুন ১৬, ১৯৯২দা চীফ মিনিষ্টরগী পাউতাক মতুং ইন্না গভর্ণরনা কেবিনেট অমসুং ষ্টেট মিনিষ্টরশিংনা পায়গদবা ফমশিং মখাগী অসুম্না য়েন্থোকখি :

| | |
|---|---|
| ১) শ্রী আর কে দোরেন্দ্র, চীফ মিনিষ্টর | |
| | ১) কোনফিদেন্সিয়েল এন্দ কেবিনেট |
| | ২) হোম |
| | ৩) পার্সনেল অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস |
| | ৪) ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাইজ |
| | ৫) ইন্দষ্ট্রি |
| | ৬) ইরিগেসন এন্দ ফ্লন্দ কন্ট্রোল |
| | ৭) দিভেলপমেন্ট ওফ ত্রাইবেল এন্দ বেকৱার্দ ক্লাসেস |
| | ৮) এদ্যুকেসন |
| | ৯) ভিজিলেন্স |
| ২) শ্রী রিশাং কৈশিং, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মণিপুর | |
| | ১) পি দল্লিয়ু দি |
| | ২) জি এ দি |
| ৩) শ্রী ঐচ থোইথোই | |
| | ১) কম্যুনিতি/রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ |
| ৪) শ্রী হোলখোমাং হাওকিপ | ১) পৱার |
| ৫) শ্রী টি ঐচ চাউবা | ১) রেভেন্যু |
| ৬) শ্রী টি ঐচ দেবেন্দ্র | ১) লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফ্যেরস এন্দ |
| | ২) কলচর |
| ৭) শ্রী দল্লিয়ু জাগোর | ১) মাইনর ইরিগেসন |
| | ২) সোসিয়েল ৱেলফ্যের |
| ৮) শ্রী অঙৌ | ১) কো-ওপরেসন |
| | ২) পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন |
| ৯) শ্রী নিমাইচান্দ লুৱাং | ১) মেদিকেল, হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের |
| ১০) শ্রী সি দৌগেল | ১) ফাইনান্স এন্দ |
| | ২) প্লান্নিং |
| ১১) এম দি হেলালউদ্দিন খান | ১) সেরিকলচর এন্দ ফিসরিজ |
| ১২) শ্রী সেনকাই রাংচল | ১) পব্লিক হেলথ এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট |
| ১৩) শ্রী সোমি এ শিমরা | ১) এগ্রিকলচর |
| ১৪) শ্রী গাইখাঙম | ১) ফোরেষ্ট |
| ১৫) শ্রী এস ইবোহল | ১) যুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস |
| ১৬) শ্রী ভি হাংখালিয়ান | ১) এনিমেল হাজবেন্দরি এন্দ ভেটিরিনরি |
| ১৭) শ্রী ও ইবোবী | ১) ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন হাওজিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্ট |
| ১৮) শ্রী কেএস বেঞ্জামিন বানী | ১) ত্রান্সপোর্ট |
| ১৯) শ্রী এন ইবোমচা | ১) লেবর এন্দ টুরিজম |
| মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট | |
| ২০) শ্রী এন কোমোন | ১) পি দল্লিয়ু দি |
| ২১) শ্রী ঙমথং হাওকিপ | ১) রেভেন্যু |
| ২২) শ্রী কে বিনোয় | ১) ইরিগেসন এন্দ ফ্লন্দ কন্ট্রোল |
| ২৩) শ্রী এন বিরেন | ১) এগ্রিকলচর |
| ২৪) শ্রী মোরুং মোকুঙা | ১) দিভলপমেন্ট ওফ ত্রাইবেল এন্দ বেকৱার্দ ক্লাসেস |

জুলাই ২৯, ১৯৯২দা চীফ মিনিষ্টরগী পাউতাক মতুং ইন্না মণিপুরগী গভর্ণরনা মখাগী মিনিষ্টরশিং অসিগী পোর্টফোলিও অদু হোংদোক হোংজিন তৌখি।

১) শ্রী আর কে দোরেন্দ্র, চীফ মিনিষ্টর

১) কোনফিদেন্সিএল এন্দ কেবিনেট ২) পার্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্ম ৩) এফ সী এস ৪) হোম ৫) ইন্দষ্ট্রি ৬) দিভলপমেন্ট ওফ ত্রাইবেল এন্দ বেকৱার্দ ক্লাসেস ৭) কম্যুনিতি এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ ৮) ভিজিলেন্স ৯) লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফ্যেরস ১০) আর্টস এন্দ কলচর।

২) শ্রী ঐচ থোইথোই, কেবিনেট মিনিষ্টর - ইরিগেসন এন্দ ফ্লন্দ কন্ট্রোল

৩) শ্রী টি ঐচ দেবেন্দ্র - এদ্যুকেসন

এসেমব্লি সেসন অসি সেপ্টেম্বর ২, ১৯৯২দা হৌরগা সেপ্টেম্বর ২২দা লোইখি।

সেপ্টেম্বর ২, ১৯৯২ অসিদা অপূনবা মৈতৈ ময়েক শেমদোকপা অমসুং হিংহনবা লূপকী নুপী মেম্বর ৬না এসেমব্লি হোলগী নুপী গেলরিদগী মৈতৈ লোনবু লান্না মণিপুরী লেঙগ্বেজ হায়গনু হায়দুনা লাউরকখি। এসেমব্লিগী সেক্যুরিটিগী মীওইশিংনা মখোয়বু মফমদুদগী ফারগা পুং ৫ তাবা ফাওবা কা অমদা স্পিকরগী য়াথং মতুং ইন্না থমখি।

সেপ্টেম্বর ৩, ১৯৯২দসু হায়রিবা লূপ অসিগী মেম্বর ৩না নুংথিল পুং ৩.১৫ তাবদা গেলরিদগী হান্নগী অদুগুম্না লাউরকখি। মখোয়সু সেক্যুরিটিনা ফারগা পুং ৪৮ স্পিকরগী য়াথং মতুং ইন্না ফাজিন্দুনা থমখি।

সেপ্টেম্বর ৪, ১৯৯২দসু নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদা মীওই অনীনা হান্নগুম লাউখি। মখোয়বু ফারগা সেপ্টেম্বর ৭, ১৯৯২গী নুংথিল পুং ৫ তাবা ফাওবা ফাদুনা থমখি।

শ্রীমতি কে অপাবী এম এল এবু ওক্টোবর ৩০, ১৯৯২দা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইনা ৱাশক লৌহনখি। চীফ মিনিষ্টরনা ওফিস পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক অদু মাগী কাদা শকহনখি। মহাক্না ষ্টেট মিনিষ্টর অমগী ষ্টেটস অদু ফংগনি হায়।

নবেম্বর ১৯৯২দা রুলিং অমসুং ওপোজিসন এম এল এশিংগী মশিং :

| | | |
|---|---|---|
| এ) রুলিং | ১) কোংগ্রেস আই | - ১৩ |
| | ২) মণিপুর কোংগ্রেস | - ৭ |
| | ৩) অন এটেশ | - ৬ |
| | ৪) এম পি পি | - ১১ |
| | ৫) কোংগ্রেস এস | - ৬ |
| | ৬) জনতা দল | - ১০ |
| | ৭) কে এন এ | - ১ |
| | ৮) এন পি পি | - ১ |
| | অপূনবা | - ৫৫ |
| বি) ওপোজিসন | ১) সী পি আই | - ৩ |
| | ২) কে এন এ | - ১ |
| | ৩) জনতা দল | - ১ |
| | অপূনবা | - ৫ |

কোংগ্রেস মনুংগী মুক্নবা খরা লৈজরবসু মন্ত্রি নৎত্রগা এম এল এ অমত্তা চোংথোক চোঙশিন তৌখিবা লৈতে। অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা দিসেম্বর ৩১, ১৯৯৩গী নুমিদাং পুং ৯.৩০ তাবদা মণিপুরদা পি আর থমজিনখি।

# ইম্ফাল ইভনিংসতা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী থৌনা

- সোরোক নোরেন -

**ঙসিদগী** খূৎ থেক্তুনা পাবদা থা ১০ মপূং ফারক্কদৌরবা ইম্ফাল ইভনিংস হেন্না পাকথোক চাউথোরক্লি। শাংলবা থা ১০গী মতম অসি নোংজুগী ফীভম্না নৎত্রবদি থাংজ-নোংমাইজিং লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা ইম্ফাল ইভনিংসনি। মণিপুরগী হীরম খুদিংমক্তা চনৈনরিবা লোইশিনফম খঙদ্রবা থৌদোকশিংগী মরক্তা হাপ্তা অমগী মনুংদা নুমিৎ নীনিদি পুং খরদা ওইরবসু পোত্থানবা শিল্লিবা নুমিদাংৱাইরমগী মহাও মখল অমনি ইম্ফাল ইভনিংস।

মীং অসিমক্না ইম্ফালখক্তগী ওইরবোই নীংলুই। অদুবু ইম্ফাল ইভনিংসতি গ্রেটর ইম্ফালখক্তগী ওইরমদ্রে। মণিপুর পূম্বগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট খুদিং লান্দুনা লৈকায় পল্লাল্লবা লৈনম চেনবী কেতুকীগী পাংখক ওইদুনা লৈরম্লে। নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.১৫দগী কুংনা চেন্নরিবা কংলা পার্ককী মনিংথংবা পি দল্লিয়ু দি মমাঙ লম্বী থৎতুনা পুং ৭তগী চপ চানা হৌরগা নুমিদাং পুং ১০ ফাওবা চত্থরিবা অদুগুম্বা ইম্ফাল ইভনিংস মরোমদোম লেপচবা ঙম্লে। হৌরকপদা অসুক চিনখ্রবা লম্বী অসি থিংলগা করম্না ইম্ফাল ইভনিংস পাঙথোক্কদগে খন্নরম্বা হৌজিক্তি মীয়াম হুপ্না খঙনরবা থৌদোক ওইরবনা হায়রিবা থাংজ-নোংমাইজিংগী পুংফম কনাসু কাউনদ্রে। ইম্ফাল ইভনিংসপু মপাঙ্গল হাপ্নবা হোৎনবদা মণিপুর লৈঙাক্কী ওইনা শীজিন্নদুনা মথৌ তৌরিবা দিপার্টমেন্টশিং, পুলিস দিপার্টমেন্ট, মণিপুর পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদ, হেলথ দিপার্টমেন্টকী ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দ ইনফোর্সমেন্ট ৱিং, ত্রাফিক পুলিস, টাউন প্লান্নিং, মাহুদ অমদি মণিপুর অর্বান দিভলপমেন্ট ওথোরিটি লোয়ননা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী সেনিটরি ৱার্কস। দিপার্টমেন্ট কয়াসিগী য়াল্লবা থৌমীশিংনা মীকুপ নাহুম শিংনা কদায়দা শোয়খিগদগে খন্দুনা হোৎনরিবা অদুগুম্বা ইম্ফাল ময়োলগী মহাওনি ইম্ফাল ইভনিংস। ঙসিদি থা ১০ মপূং ফারদুনা মপোক নুমিৎ পাঙথোক্কদবা নুমিৎ খরনিদা ঙাইরে। মসি পূম্নমক মীয়াম্না পীরিবা অচৌবা মতেং অসিনা মপূং ফারিবনি। হৌজিকসু অনৌবা মহাওগীদমক মীয়ামগী মমল য়াল্লবা পাউতাক মণিপুর অর্বান দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরিনা খৌরাংনা ঙাইরি।

হান্নগী চাংদগী হেন্না মশক থোকপা ইম্ফাল ইভনিংস ওইনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা হেনগৎলক্লিবশিংগী মরক্তা মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেকিং এসোসিএসন, কাওরকে নাইট, লোয়ননা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং। মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেকিং এসোসিএসন্না তাঙ্কক মঙা তরুক্কী মমাঙদগী মখল কয়াগী ইন্টরটেন্টমেন্ট প্রোগ্রাম কয়া হাপচিনবীদুনা মীয়াম্বু হেন্না পূক্নিং চিংশিনবিরক্লি। অসুম্না কাওরকে নাইটকী লমজিংবিরিবা মণিপুর ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিদা অচৌবা মফম অমা কনবদা নত্তনা ঈশৈ নোংমাইগী লমদসু কম্পিয়র ওইবিনববু ওইরো শৈশকপা অমা ওইনবু ওইরো মাসে ইয়াও য়াওদ্রদি য়াদবা অমা ওইনা তৌনরক্লিবা বোনি শর্ম্মগী এক্টিংনা নৎত্রগা ৱাহৈগী দাইলোগনা থুক লাউহন্নবা হোৎনরি ঙসিসু ইম্ফাল ইভনিংসতা। তশেংনা থাংজ-নোংমাইজিংগী নুমিদাংৱাইরম অসিদা বোনিতবু য়েংলুরগে খন্দুনা লাক্লিবা মীয়ামগী মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। হৌজিক্তি ইম্ফাল ইভনিংসকী মীৎয়েংলোই অনকপা অরাপ্পা থিরক্ত্রে। মণিপুরগী লমদমদি ঐখোয় অমতনি হায়বদু ঙসি ইম্ফাল ইভনিংসনা চপ চানা উৎলে। হৌরকপদা বিষ্ণুপুর, মোইরাং, থৌবালগী মীওইশিং য়েংবা লাকপদা শিল্লি-লাংলিবশিংগী থম্মোয়দা নুংঙাইবা ফাওরম্বদো হৌজিক্তি মহৌশা ওইরক্লে। জিরি লম্বী ফবদগী জিরিগী মীয়াম ইম্ফাল ইভনিংসতা কংলা মোটকী মৈগী কুম্মৈ য়েংবা লাক্লে। ঙসি কলম অসিদা হাপচরিবা ফোটো অসি বোনি শর্ম্মগা লোয়ননা শুগুনু ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী হৌজিক চ্যেরপার্সন ওইরিবা মোইরাংথেম সরতকা লোয়ননা মাগী নুংশিরবা মমোমনি। ইম্ফাল ইভনিংসতগী কিলোমিটর ৭৫ লাপ্না লৈরিবা শুগুনু টাউন্দা ইম্ফাল ইভনিংস লোইরবা মতুং নুমিদাংগী পুং ১০গী মতুংদা ময়ূম মায়কৈ পাংবদা করিসু নীংহন্নদনা ইম্ফাল ইভনিংস য়াওবা লাক্লবনি।

হৌরকপদা ইম্ফাল ইভনিংস কমদৌনা শাগৎকদগে হায়না হোৎনরুবদা ফুদ ষ্টোল নৎত্রবদি ওইথোকপা ঙম্লোইদ্রা খন্নরুবনি। চুমসু চুমখি। ফুদ ষ্টোল মরাং কায়খি। চান্নখি অনৌবা মহাও ওইনা য়ূম য়ূমগী অহাওবা মথেল কাউনখি, য়োমদুনা পুনখি লেংদনা লৈহৌরিবা য়ূমগী মীওইশিংগীদমক। অদুবু শুপ্নগী ষ্টোলশিংগী মরক্তা অখন্নবা ষ্টোলশিং ওইনা ঙসি নৌনা অমুক চোঙথোরক্লি সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং। সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অসিমক্তি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখোয় মখোয়গী ইলেক্সনগী



মতমদা ভোট ফংবা য়ানবা গ্রুপ গ্রুপ খরা শেমজিল্লগা থা খরা লৈরগা একাউন্টতা পৈশা অদু হাপ্লক্কনি অমদি ত্রেনিং পীগনি, লোন পীগনি হায়জিল্লগা তোকখিবা অদুগুম্বা মখলগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অদু নত্তে। ঙসি ইম্ফাল ইভনিংসতা শরুক য়াররিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অসিদি মপূং ফানা অকক্নবা কাঙলোন অমগী মখাদা শেম্বা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনি। সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমা শেম্বদা তঙাইফদনা মেম্বর তরানা গ্রুপ অদুগী অপূনবা মীশিং ওইরগা মণিপুর কোওপরেটিভ সোসাইটি এক্টকী মখাদা রেজিষ্ট্রেসন ফংদুনা অচঙবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ওইরবা ঙাক্তনি। অদুগীসু মথক্তা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অদুগী লন্নাইগী ওইবা থা থাগী কন্ট্রিব্যুসন থমদুনা বেঙ্ককী চৎন-কাঙলোন ইনবা অমসু ওইহল্লি। থা খুদিংগী অপূনবা মীফম ফমদুনা হেন্না চাওখৎনবা অমদি ফাইনান্সিয়েল লিটরেসিসু মপূং ফানা লৈনবা হোৎনরিবা অদুগুম্বা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনি। চৎখিবা, লাকপগী চাদিংসু মতম মতমগী ওইবা ষ্টেটমেন্ট শেমদুনা কেস বুক্তা এন্ত্রি তৌবগী কাঙলোনসু কায়দনা তুংইনবা অদুগুম্বা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনি। হায়রিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অসি মণিপুর অর্বান দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগী খূৎথাংদা অর্বানগী টাউন ২৭তা মাগী মাগী পোপ্যুলেসনগী মতুং ইন্না শেমহল্লিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনি। অসিগুম্বা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অসিবু সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ওইনবা হোৎনবদনা লম অসিদা খঙ হৈরবা রিছোর্স ওর্গেনাইজেসন খরবু মতেং পাংহন্দুনা মপাঙ্গল লৈবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ওইনবা হোৎনরিবনি। মদুগীদমক্তসু মণিপুর অর্বান দিভলপমেন্ট ওথোরিটিনা মতিক চাবা মমল রিছোর্স ওর্গেনাইজেসন অদুদা পীরি।

অদুনা ঙসি ইম্ফাল ইভনিংসতা শরুক য়াজগে হায়দুনা চোঙথোরক্লিবা থৌনা লৈরবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অসি অরাইবা অমত্তা নত্তে। মশানা মরোমদোম লেপচবা ঙম্লবা অদুগুম্লবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ঙাক্তনি। অমরোমদা বেঙ্ককী চৎন কাঙলোনশিং অদু থা তরুক মপূং ফারবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংদু মণিপুর অর্বান দিভলপমেন্ট ওথোরিটিনা মতেং ওইনবা লুপা লিশীং ১০/১০ সি মতেং ওইনবা পীরিবনি। অদুগুম্বা মপূং ফারবা সেল্ফ হেল্প ৩০ হেন্না ঙসিগী ইম্ফাল ইভনিংসতা শরুক য়াদুনা অনৌবা মহাও অমা পীনবা হোৎনরি। মসিদা নত্তনা মীৎকী কুম্মৈ অমদি নুংঙাইবা মথেলগীদমক অহেনবা থৌরম কয়া হাপ্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং ওইরি। ইম্ফাল ইভনিংস মীয়ামগীনি। ঙসিদি মপূং ফাবা মফম অমা কনবা ঙম্লক্লে হায়না লৌবা য়ারে খল্লি ইম্ফাল ইভনিংস। হৌখিবা চহী কয়া অসিদা নুমিৎ তাখিবদগী মপান থোকপা ঙম্নদনা লেল্লম্বা মীয়ামগী তং তাদবা পুন্সি ঙসিদি মদুমক নৎত্রে। আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ লৈজরবসু নুমিদাংগী পুন্সিদা অকিবা অখংবদি লৈত্রে হায়না লৌফম থোকই। খুদোংথিববুদি তম্বা ঙমদ্রবসু ঙসি চহী ফারক্কদৌরবা ইম্ফাল ইভনিংসতা অদুগুম্বা ফত্তবগী থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোকপগী পাউ ঙসি ফাওবগী ওইনা তাবদি লৈত্রি। মতুংদসু তাদবা ওইসনু। অদুগা ঐখোয় মীয়াম পূন্না অমত্তা ওইনা মণিপুরগী মায় ওইগদৌরিবা ইম্ফাল ইভনিংসতা অশোয় অঙাম য়াওদনবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। ইম্ফাল ইভনিংস ঐখোয় পূম্বগীনি। কমদৌনা পুন্সি শাংহনগদগে অমদি হেন্না মশক থোকপা ইম্ফাল ইভনিংস অমা ওইহনসিগে হায়বদুদি ঐখোয় মীয়ামগী খূৎতা লৈরে। অঙম্বা, অফবা পাম্বৈ অমদি পাউতাক মীয়াম্না পীবিরক্তুনা হোৎনমিন্নসি।

ঙসি অনৌবা লৈঙাক অসিনা চুম্না চিনখক্তা হায়বা নত্তনা মীয়ামগী তং তাবা পুন্সি মহিং অদু লাকপা ঙম্নবগী অচৌবা খোঙথাং অমনি ইম্ফাল ইভনিংস। গ্রেটর ইম্ফাল এরিয়াখক্তা নত্তনা শুগুনুগী ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ ২৭না কোল্লিবা মফমসিগী মীশিং লাক্ষ অনী মখায়রোমসিগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীওই লিশীং ৪/৫দং তিন্দুনা অৱা পোত্থাবিরবদা ইম্ফাল ইভনিংসকী ফজবদি মশানা অদুম হেনগৎচরক্কনি। ইম্ফাল ইভনিংস ইম্ফাল মচা খরনদি থৱায় য়াওফম থোকই। অনকপনি, শেল তিংবা ইম্ফাল ইভনিংস নত্তে। মীয়ামগী পুন্সি অনৌবা অঙৈংবা নুমিদাংৱাই অমা শাগৎনবা হোৎনবনি। মরু ওইনা লূবা নানবগী অচৌবা পাড়া অমগা ইরোইননা হোৎনরিবা থৌদাং মখল অমনি ঙসিগী থাংজ-নোংমাইজিংগী ইম্ফাল ইভনিংস। লমদমসিগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা ইমা ইবেলশিংনা খূৎতা পোদোন পায়দুনা কোকথক্তা লুবাক হাপ্লগা মৈ ফংদ্রবা লম্বীদা অথেংবদা কৈথেল কুম্লকপদুগী মমি ওইনা ঙসিদি ইম্ফাল ইভনিংসতা অরংবা মৈঙাল মরক্তা মীয়াম তিনবগী ৱাখল শাগৎমিন্নবা য়াই। শেম শারিবা পূম্নমক ঐখোয় মীয়ামগীনি। ইম্ফাল ইভনিংস হৌগৎলকপদা ঙাইরিবনি। অনৌবা অহেনবা মথেল কয়া হাপচিন্দুনা অহাংবা লমহাংদা নুংঙাইবা পুন্সি মতেক অমা লৌবা হায়বসি য়াম্না মমল য়ামগনি নীংই। ঐখোয় চম্না অৱা-অনা য়াওদনা হিংবা পুন্সি খরদি শাগৎমিন্নসি। হৌজিক মীতোপকী অকনবা ঈহৌদা অতোপ্পা মীয়ানচা অমতগী ষ্টোল য়াওদনবা হোৎনরিবা অশেংবা ইম্ফাল ইভনিংস অমনি। ঐখোয়গী লিংজেল মান্নবা ঐখোয়গী অপূনবা শক্তম ইম্ফাল ইভনিংসনা শাগৎপসু কান্নগনি খল্লি। ঙসি নৌনা শরুক য়াদুনা অচৌবা মফম অমা কল্লরিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং য়ূমগী থবক পুরিবী অখাং কনবী মৈতৈ নুপী ঙাক্তনি।

মখোয়শিংসিনা ইম্ফাল ইভনিংস লোইদুনা হনখিবা নুমিদাংগী লম্বীদা থেংনবা মরুপ মপাং পূম্নমক্না অশোয় অঙাম য়াওদনা য়ূম য়ৌনবা হোৎনবদসু মতেং পাংবীয়ু। মৈতৈ নুপীগী থৌনা অমদি অখাং কনবগা লোয়ননা মখূৎ মশাগী হৈশিংবা উৎপদা ঐখোয় পূম্নমক্না চাউথোকফম থোকই। লম্মাংদোং নুপীশিংগী অহৈবা উৎতুনা ইম্ফাল ইভনিংসতা উৎলবদা করিগী হন্থনা য়েংবিগদৌরিবনো। ককচীংগী শামতু লঙনা লোনবা খোংউপ ককচীং তানা চৎলুদ্রবসু ইম্ফাল ইভনিংসতা অহোঙবা মমলদা পীনবা হোৎনরি মহাও তংবা ফংদবা কয়ামরুম লৈরমগনি খল্লি ককচীংগী অকেম্বা বোরা ইম্ফাল ইভনিংসতা মরাং কায়না ফংবা হৌরবনি। মীয়াম লেঙবিরকউ থৌবাল, মোইরাং, ময়াং ইম্ফাল কয়াগী ইচং থৌরবী সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী অপূনবা শক্তিগী পোত্থোক্না মরাং কায়রবা ইম্ফাল ইভনিংস ওইরে। মণিপুর ঐখোয়গী ইরমদম হৌজ থেঙ্খাং কয়াদা মৈতৈ ইমা ইবেলশিংনা কন্দুনা লাক্লবনি। ঙসিসু নৌহৌননা নীংশিংদুনা তুং কোয়না থল্লনবা হোৎনরি ইম্ফাল ইভনিংসতা মসিদা নত্তনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমনা কদায় ফাওবা তৌবা ঙম্বগী শক্তিসু ঙসিগী ইম্ফাল ইভনিংসতা পীনবা হোৎনরিবসে ঐখোয় পূম্নমক্না অমদি লৈঙাক্কী অচঙবা মীওসশিংনা কৃপ্না য়েংশিনবীদুনা অশোয় শোয়দা তাকপীরগা হেন্না অফবা লম্বেলদা পুবিনবা লমজিংবীবসু তঙাইফদে। মরোমদোম লেপচবা ঙম্লক্লবশিংসে অচৌবা পোলোই পীবিনবা শিনবীবসু তঙাইফদবরা খল্লি। মশানা মখোংনা থোংনা অরাপ্পা মফমদগী ইম্ফাল তম্না লাকপগী থৌনা উৎতুনা থেল্লরবা পোৎশিংনি। লেম্না হনখিদনবসু ঐখোয় পূম্নমক্কী অমদি লৈঙাক্না হেন্না অচৌবা থৌদাং লৌরগা পূক্নিং থৌগৎপীবসু চঙই হায়বসি সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী মায়কৈদা লেপচরগা ফোঙদোকচবগী অয়াবা লৌজরি। মরুওইনা মসিগী খূৎশুমল অমদি পোত্থোকশিংগী মমলনা ইমুং পুগদৌরিবনি খঙবিবসু তঙাইফদবরা খল্লি।

ঐখোয়না য়োকখৎতুনা মখোয় কয়াবু অৱাংবা থাক্তা অমদি সেল্ফ হেল্প গ্রুপ তৌরুবগী মমল ফংহনবা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাং ওইফম থোকই। মখোয়গী হৈশিংবা হেন্না মীৎমাং থোকহন্নবা পোরম লৈঙাক্না অমদি ইম্ফাল ইভনিংসকী থৌবুশিংনা শিনবীবসু মথৌ তাগনি নীংই। মার্কেটিংগী লম্বেল কদায় ফাওবা য়ৌনা পুবিগদগে হায়বদুদি অখঙ অহৈশিংগী মত দরকার ওইগনি খল্লি। শেম্বীরবদি মপূং ফানবা পোত্থোকশিংসিদগা চাং নাইনা থাফম নৎত্রগা য়োনফম মতিক চানা ইম্ফাল ইভনিংসগুম্বা কয়া শিনবীরবদি হেন্না মোমোন নোকচগদ্রা খল্লি। হৌজিক শুপ্নগী ইম্ফাল ইভনিংসতা শরুক য়াররিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অসি ৩০ রোমদা ওইরবসু হেন্না শরুক য়ারক্নবগী থৌরাং পূম্বা লোইরে হায়না তারে। অরাপ্পা লমদগী শরুক য়াবা ঙম্লক্লিবা মীওইশিং অসিগী মমলসু ঐখোয়না ৱাংনা লৌফম থোকই। থৱায় য়াওবসে ঙসিদি সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা ওইখিদুনা ফম্ফম লৈতবসু কনানা খঙবা। অদুবু ইম্ফাল ইভনিংস তম্না লাক্লিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী মীওইশিংবুদি লম্বীদা খুদোংথিবা থোক্তনবা হোৎনবিবা চঙই হায়বসি য়াম্না মরু ওইগনি খল্লি। মরমদি সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী মীওইশিং অয়াম্বনা নুপীনি।